থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লাক্কনি খনখিদবা কোরৌ অমনা থুংলবদা

ৱারৌবীরোই। ইররোই খল্লুরবা পাউদম অমা, অমুক তমদ' য়াদবা তানফম অমা লাক্লে। পানীংদ্র'সু পানীংদনা লোইবা ফাওবতংদি পাবীয়ু। পাউদম অসি করিনো- খঙবীরল্ল'নি অদোমসু। কোভিদ-১৯ কৌবা অনাবসিগী মতাংদনি। মহাভারত কৌবা লাঞ্জাওদুফাও নুমীৎ তরানিপান শোক্লরগা লোইশিনবা ঙস্বা জাতিসিনা মহীক মচা অমখক্কা লাস্থেংনববু করিগী মায় পাক্লোইদৌরিবনো হায়দুনা খুবাক খুথিবা, পুখম/কাংসি খীংখিবা, য়ুম-য়ুমদা ইলেক্ট্রিক বল্ব মুথুৎলগা থাউগী থাউমৈ মিনিত মাপন থালহনখিবা থৌদোকশিং মথং-মথং নীংশিংলকই। কয়াদা ৱাখল য়াওখিদ্রবা, মথোঙ হুকখিদ্রবা থবক তৌদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহনখ্রবা! মীওই ক্রোর ১৩০ লৈবা চাউখ্রবা লৈবাকসিদা, কোরোনা-ভাইরস অসিনা এটেক তৌরক্লবা, কনফার্ম পোজিটিভ কেস মশীং চামঙা খরা হেল্লক্লবা মতমদুদনি ইনি দয়াগী শক্তি লৈরবা, চীনফেন-ফবা রুল্লরসিনা 'নুমীৎ কুনমাথোইগী লোকদাউন' ফিরেপ লাউথোকখিবা।

ফার্ষ্ট ফেজ, সেকেন্দ, থার্দ ফেজ অদুৱাইফাও মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামসিদা, চীনবান লান্না ফোঙদোক্লখিদবা ৱাখল অমদি ফাওনখি... মহীক চেনবা মী লৈতে খঙলবা মফমসিদা লোকদাউনগী অকনবা রেষ্ট্রিক্সনশিং ইম্পোজ তৌরিবা, কান্নদবা এক্সরসাইজ অমনি... য়ু ভি রেদিয়েসন ৱাংবা লমনিনা, লমদমসিদা কোরোনা-ভাইরস হিংবা ঙমদে, অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎত্রসু মহৌশা লাইরেম্বীনা অদুম ঙাকপী-শেনবীগনি...। ৱাখল অসি লৈঙাক-থৌরম পুরিবা অঙম-অথৌ-অচৌ-অশাং পুন্নমক'তসু চেনখিবা মাল্লি, নৎলমদ্রবদি, মথৌ খঙবা, উইল কনবা, চহী তরামঙা লেপ্তুনা পানখিবা লৈঙাক অমনা তৌবা ঙমখিদবা থবক, থাবুম মঙাদা তৌবা ঙমখিবা লৈঙাক্লি, থাবুম অনী কোরোনা-ভাইরস অমা ফাওবা লৈতনা লোকদাউন তৌরিঙৈ মতমদুদা, মহীক্তুনা তশেংনা থুংলরবা মতমদুদা তৌগদবা থবক্তুগীদমক নীংথিনা শেম শারমগদবা, মতিং লৈবা লৈঙাক্লি। ঙারী চাবা, সোইবুম পাম্বা, হৱাইজার খোয়দাবা লমদমসিদা কোভিদ-১৯ থুংলরবসু কোয়না চৎপা ঙল্লোই খল্লুবদুনা মতিক চাবা ক্বারন্টিন সেন্টর শেমগৎহৌদে, হেল্থ-ক্যের-ৱার্কর-ফ্রন্ট-লাইন-ৱারিয়রশিংদুসু ট্রেনিং পীহৌদে, ভিলেজ ভোল্যন্টিয়র ময়ামদসু এৱ্যের্নেস মীটিং পাঙথোকহৌদে, লাইচৎকী মরমদা থোয়না খঙ-হৈরবা (ইপিদিমিওলোজিষ্ট) অমত্তগসু খন্ন-নৈনবা তৌহৌদে, মাইক্রো-বাইওলোজিষ্ট অমত্তগসু ৱা তান্নদে। মিনিষ্টর অমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসর, মখোয়না নীংবদুখক্তনা অরোইবা ৱারেপ ওইদুনা লাকখি। রিপব্লিক তিভি'গী অর্নব গোশ্বামি অমসুং কাঙবুনা খুবাক খুদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবদু নীংশিংলুরগা ঐদি ঈকায়জৈ। ঈকায়ফম থোকপা মখোয়দি ঈকায়দবজাৎলা! মদুদি খঙবা ঙমদরে। ঈকায়রল্লোই হায়ববুদি মতুং তাবা থোক্লকখিবা থৌদোকশিংনা তাকই। মীরমদগী থুংলবা, মহীক চেনবা মী ময়াম্না মীপায়নিংঙাই ওইবা থাক্তা নাবা মী মশীং, দিষ্ট্রিক্ট খূদিং শন্দোকখ্রবা তুং হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি কোভিদ-ক্যের সেন্টরশিং হিংজ্রোং-কাইজ্রোং থল্লগা মিনিষ্টর ফম-থাদোকপী-লীলা শান্নদুনা লৈরুবা নীংশিংবীরমগনি অদোমসু।

ঙসি, ষ্টেটসিদা ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম, কোল্লমসিদা ইজরোই। অপদেটেদ ইনফোর্মেসন, মীপুম খূদিংমক্কী মোবাইল ফোন'দা ফংনরিবদুনি। অতৈ মীদিয়াশিংদসু ফোঙনরি। পাউদু নত্তে তমজনীংলুবা। হৌজিক্তি, কোভিদ-১৯ নাবা মী মরি শুরে শিখিবা। মখা তানসু নুংঙাইতবা পাউ তারকখিবা য়ারি। অদুবু, ডোক্তরশিংগী পাউদমদগী খঙই ঐখোয় 'সিমদি - 'কোভিদ পেসিয়েন্ট ওইর'সু শিখিবা মখোয় মরিমক অতোপ্পা অনাবনা মরম ওইদুনা শিবনি, কোভিদ-১৯না হাৎপা নত্তে'... ডোক্তরশিংনা হায়নীংই। 'হান্ননা সিরিয়স ওইনা নারবা অনাবা অমদা কোরোনা-ভাইরস চঙখ্রগা, থুনা শিনবই মরম অমা ওইহল্লি'... ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন'না হায়খিবা ৱা অদু ডোক্তরশিংনা রিফরেন্স পীনিংদ্রিবা করিগীনো? ডোক্তরশিংদা হংনীংলুই। 'কোভিদ-১৯ হায়রিবা ভাইরস অসিনা নাহল্লবা অনাবা অমদা পীননবা হীদাক মখল অমত্তা পুথোক্ত্রি... লায়েংনবা হীদাক লৈতে, অতৈ নোর্মেল পেসিয়েন্টশিংদা থাবা হীদাকশিংদু থারগা, কনামত্তগা শোক্ল-শন্নহন্দনা (আইসোলেসন ৱার্দতা) থম্বনি, পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট (মশাবু ঙাকথোকচনবা ফিজোল/খুৎলায়) শেৎ-চারবা 'ডোক্তর-নর্স'শিংনা ঙাক শেন্দুনা থল্লগা, অনাবা মশাদা য়াওজবা ইস্ম্যুনিটি-পাৱর (লায়না-তীন্নাদগী ঙাকথোকচনবা শক্তি) অদুনা ফগৎহল্লকপদু ঙাইবনি'... এক্সপর্টশিংনা হায়বনি। হৈ-শিংবা ডোক্তরগী হীদাক্লা ফহনবা নত্তে, চীনখুম-উপ্পা, খুৎ-তোয়না হাম্বা, মীঙোন্দগী লাপ্পা লৈবা, মীয়াম পুনবা য়াওদবা, য়ুম-য়ুমদগী চৎথোক্তবা- হৈনবী অসি শেমগৎপা নত্তনা লায়নাসিদই ঙাকথোক্লবা অতৈ পাম্বৈ লৈতে... মালেম পুম্বদা পীবা পাউজেলনি। হেল্থ-ক্যের ৱার্কর অমদি পুলিসশিংবু ঈকায় খুম্নরিবা, মশাগী পুন্সিবু খুদোংথিবদা লংশিন্দুনা লান্মীগুম লান থেংনবদুগীদমক্লি।

ঙসি ওইরিবা, ফীভম শোক্লবা মণিপুরগী কোভিদ-১৯ কেস-কনানা করম ওইহনখিবনো? পুন্নমক খঙনরগসু, হৌজিক্তি, মরাল-ইরাল থিনবগী মতম অদু নত্তরে। অমনা অমবু থাজনদবা, পুকচেল শেংদবা মতৌ অদু উৎথোক্লবা মতম নত্তে। মরুওইনা, ওথোরিটি ওইবা লৈঙাক্লা লৈবাক মীয়াম্বু থাজদ্রবা, অনীমক্লা পুকচেল শেপ্নরবা- কোভিদনা ঐখোয়বু লাকশিনখিনি। মীয়ামগী পার্টিসিপেসন য়াওদনা লৈঙাক্কী থৌশিল অমত্তসু মায় পাক্লোই হায়বসি লৈঙাকপশিংনা খঙগদবনি। কনাদগী লানশিল্লত্তুনা নারক্লিবনো হায়বা ঙমদবা (কন্টেক ত্রেসিং ওইথোক্ত্রবা), কোভিদ-১৯ পেসেন্ট লৈরে খঙলবসিমক্তদা 'কম্যুনিটি-ত্রান্সমিসন'গী থাক য়ৌদ্রি, পাখৎনিংঙাই ওইদ্রি হায়বা ওথোরিটিগী ষ্টেটমেন্ট অসিমা হোংদোকপা তঙাইফদরে। অচুম্বদু খঙলবা তুংদনি মীয়াম্না মরিন চুম্লক্কদবা। ভিমি নিঙোম্বম পোজিটিভ ওইরকপদা কারন-তুরন ঙাঙলগা, লম্বী থিংখিবগী থৌদৌদুগা, ঙসি লম্বী থিংলিবা, লম্বীদা মী চৎনদ্রিবা- 'সিগা চাংদম্লনা য়েংবা য়ারোই। 'হোস্পিটালদা অনাবা য়েংবা লাকপদা হোস্পিটাল'না লৌ য়াদবদগী শিরে' হায়বা পাউসিবু কৈদৌঙৈ কদায়দা তাখ্রগে? অয়ুক খূদিং, নোংঙান্দ্রিঙৈদই পরেং লেংবা অনাবশিংগী মিহুন-থাহুন য়েংলগা ৱাহং পাউহং খরা তৌরগা প্রিস্ক্রিপসন-ফী খোল্লম্বা ডোক্তরশিংগী থোঙ লোনখ্রবনি। গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিং, অনাবনা খুরক হাংলমদবা, ঙসিদি, অনাবা লাক্লে তাবদা, ডোক্তর মিহুন চেনখৎনরবনি।

অসিগুম্বা কোরৌ অমা লাক্কনি হায়বা, খনখিবরা অদোমবু কোক'তুদা কৈদৌঙৈ?

লৌশিং পুক্কে

# খৌনাউ নাবা: করিনা থোকহনবগে, কয়াম কুইনা নাবগে? -১



খৌনাউ নাবা হায়বসি অনম্বনা ভাইরেল ইনফেক্সন অমগী সিম্পটোম অমা ওইগল্লি। অদুমওইনমক, করিগুম্বা মতমদা বেক্টেরিয়ল ইনফেক্সনশিং, এল্লর্জি নৎত্রগা ইরিটেন্টশিংনা থোকহনবসু য়াওই।

খৌনাউ নাবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌওং অমা ওইরগসু অয়াম্বনা কা হেন্না কিনিংঙাইদি ওইদে। অনম্বনা মসি চয়োল অমগী মনুংদা মথন্তা ফজখি। মরক অদুদা ঐখোয়না চৈনাখোল অদু হন্থহন্নবগীদমক তৌবা য়াবা ট্রিটমেন্ট অমদি রেমেদি কয়ামরুম লৈ।

খৌনাউ নাবগী কম্মন ওইবা মরমশিং অমদি মখোয়শিং অদুগা লোয়নবা লাইওংশিং অদুদি:

**ভাইরসনা থোকহনবা মরমশিং**

সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী মতুংইন্না খৌনাউ নাবগী খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা মরম অসি ভাইরেল ইনফেক্সননি হায়রি। খৌনাউ নাবগী খুদোংচাদবা থোকহনবা ভাইরস অমদি ভাইরেল দিজিজ খরা মখাদা পীরি:

**কোল্ড অমসুং ফ্লু ভাইরস**– কোল্ড অমসুং ফ্লুগী ভাইরসশিং অসি খৌনাউ নাবগী থৌওং খ্বাইদগী তৌহনবা মরমনি। কোল্ড অমসুং ফ্লুগী অতোপ্পা লাইওংশিংগী মনুংদা লোক খূবা; নাতোন মহী চেনবা; কোক চীকপা, হকচাং চীকপা-নাবা; চোকথবা অসিনচিংবশিং য়াওই। ইনফ্লুয়ঞ্জা ভাইরসনা লাইহৌ অমদি দাইরিয়াসু তৌহনবা য়াই।

কোল্ডগী লাইওংশিং অনম্বা মতমদা নুমিৎ ৭ নিদগী ১০নি ফাওবা তৌগল্লি, অদুগা ফ্লুগীনা নুমিৎ ৫ নিদগী ৭নি ফাওবদং তৌগনি।

**ইনফেক্সিয়স মোনোন্যুক্লিওসিস**– ইনফেক্সিয়স মোনোন্যুক্লিওসিস নৎত্রগা 'মোনো' হায়বা অসি ইপষ্টিন-বার ভাইরস (ঈ বি ভী)না ইনফেক্সন তৌবদগী ওইরক্কনবা সিম্পটোমশিংগী কাঙলুপ অমগী মেদিকেল টর্ম অদুবুনি। মোনো অসি গ্লান্দুলার ফিভর নৎত্রগা কিসিং দিজিজ হায়নসু কৌনবা য়াওই।

মোনো অসি ইনখৎলক্লিবা অমদি মপুঙ ফারবা নহাশিংদনা খ্বাইদগী হেন্না থেংনগল্লি।

মোনোগী লাইওংশিং ঈ বি ভীনা ইনফেক্ট তৌরবা চয়োল ৪-৬গী মতুংদা তপ্না তপ্না উৎলককই। লাইওংশিংগী মনুংদা খৌনাউ নাবা; ঙকশম অমদি শেগ্রাকতা মি কাবা; কোক চীকপা; হকচাং চীকপা; ফুরি; লাইহৌ; চোকথবা; পৈ নৎত্রগা ফিরাকদা পোম্বা অসিনচিংবা য়াওই।

মোনো অসি মীওই অয়াম্বদা চয়োল ২দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা ফগৎলকই। অদুমওইনমক মীওই খরদদি চয়োল কয়ামরুম চোকথদুনা লৈবা য়াই অমদি লাইওংশিং থা কয়ামরুম লৈবা য়াই।

**কোভিদ-১৯**– কোভিদ-১৯ হায়বা লায়না অসি SARS-CoV-2 না থোকহনবনি। কোভিদ-১৯ নারবা মীওই অমদা ভাইরস অদুনা চঙখিবদগী নুমিৎ ২দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লাংইওংশিং উৎলকপা য়াই।

সী দি সীনা পীবা কোভিদ-১৯গী সিমটোমশিংগী মনুংদা খৌনাউ নাবসু য়াওরি। থেংনবা য়াবা কোভিদ-১৯গী লাইওংশিংগী মনুংদা লোক খূবা; নীংশা হোনবা ৱাবা; নাতোন মহী চেনবা; মনম নৎত্রগা মহাউ খঙলক্তবা; কোক চীকপা; হকচাং চীকপা; লাইহৌ নৎত্রগা নিংথম চনবা; চোকথবা; ওনীংবা নৎত্রগা ওবা; দাইরিয়া অসিনচিংবশিং য়াওই।

থবাক্তা লেপ্তুনা নাবা নৎত্রগা প্রেসর লৈবা; নীংশা হোনবা ঙমদবা; চীনবাল নৎত্রগা মায় হীগোক মচু চঙশিল্লকপা; হান্না তৌদবা মওংদা ৱাখল চমন্নবা পোক্লকপা অমদি তূম্বা হৌগৎপা ঙমদবা নৎত্রগা তূমদনা লৈবা ঙল্লক্তবা হায়রিবশিং অসিগী মনুংদগী অমা ইশাদা থেংনরবদি অনা লায়েংগী ওইবা মতেং লৌগদবনি।

**হেন্দ, ফূট এন্দ মাউথ দিজিজ (ঐচ এফ এম দি)** -- এন্টরোভাইরসশিং অসি মীওইবদা ঐচ এফ এম দি নাহনবা ভাইরসশিংগী ফেমিলি অমনি। কোকসোকিভাইরস এ১৬ কৌবা এন্টরোভাইরস অমনা ঐচ এফ এম দি অসি খ্বাইদগী হেন্না নাহল্লি।

সী দি সীগী মতুংইন্না ঐচ এফ এম দি অসি য়াম্না পীকপা অপীকপা অঙাং অমদি চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙংশিংদনা খ্বাইদগী হেন্না নাগল্লি। অঙাং অমদা ভাইরস অসি চঙখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩-৬ ফাওবদা লাইওং উৎকল্লি। লাইওংশিংদি খৌনাউ নাবা, লাইহৌ, মালেইজ, চীন লৈ চাথৎপা, খুবাক অমদি খোঙপাক্তা ফুরি থোকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই। ঐচ এফ এম দি অসি নুমিৎ ৭-১০নিফাওবগী মনুংদা ফগল্লি।

**বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা মরমশিং**

বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা খৌনাউ নাবগী মরমশিং মখাদা পীরি:

**ষ্ট্রেপ থ্রোট**– ষ্ট্রেপ থ্রোট হায়বসি খৌনাউ অমসুং টোন্সিলদা তৌবা বেক্টেরিয়ল ইনফেক্সন অমনি। মসি ষ্ট্রেপ্টোকোকস পাইওজিন বেক্টেরিয়া স্পিসিসনা থোকহল্লি।

ষ্ট্রেপ থ্রোথ অসি মরুওইনা মশাগী চহী ৫ দগী ১৫ ফাওবগী মরক্তা লৈবা অঙাংশিংদা তৌগল্লি। লাইওংশিংদি খৌনাউ তৎপা নাবা য়াম্না থুনা দিবেলপ তৌরকপা; ঙৌদা অঙাংবা মচুগী অপীকপা দাক মচা মচা লৈবা; য়োৎশিনবদা নাবা ফাওবা; টোন্সিলদা ঙাঙশিনবা অমদি পোমথোকপা, করিগুম্বা মতমদা অঙৌবা দাক নৎত্রগা নাই পকপা; ঙকশমগী মমাঙ থংবা শরুক্তা মি কাবা; স্কার্লেট ফিভর রাস; লাইহৌ অসিনচিংবশিংনি।


হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**এম দেবানন্দা, থৌবাল নিংঙোম্বম**

পেন্দেমিক ওইরবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকখিবা লায়না নত্তে অমদি থৌবালগী মীপুম খুদিংমক লোয়না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবরা হায়বসু নত্তে। হোয়, চুম্মী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লায়না অসিনা নাবা মীওইগী মশীং হেনগৎলক্লি। অদুবু মীওই খরনা থৌবাল মচাশিংবু লান্না উবিবদি লানগনি। দোক্টরশিংগী মনাক্তা চৎলগদি থৱায় হিংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা লায়েংবা চৎখিবা থৌবালগী পেসেন্টশিংবু মখোয়গী হোস্পিটালশিংদা থম্নবা তনবগীদমক হোস্পিটাল অমদগী অমদা রিফর তৌদুনা লৈবা মরমনা মীওই অনী শিবসু য়াওখ্রে। লোয়ননা এন আই ৱাই সী ক্লবকী মেম্বর অমগী মচানুপীগী ওপরেসন তৌবা মতমদসু ওপরেসন তৌরিবা অঙাং অদুদা নত্তনা মমা-মপা মখোয় অহুমমক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবরা ওইদবরা হায়না খঙনবীদমক মশানা টেষ্ট তৌথোক্কদবনি হায়বিখি। চান-থক্লবা মপান্দগী অমদি য়ূমদগী পুহল্লকে হায়বসু য়াবিখিদে। চান-থক্লবা মখোয়না পীবিবরা হায়বসু পীবিখিদবনা চারা হেন্দুনা লৈখি। কাইনথংদা ৱা চাউথোরকপদগী চান-থক্লবা পীরকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়জরি।



**নাওরেম গোবিন্দ, নোংপোক কৈথেলমানবি**

গ্রিন জোন ওইরি হায়না হরাওনরম্বা লৈবাক অসিগী মীয়ামশিং ঙসিদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লোকেল ট্রান্সমিসনগী থাক্তা য়ৌরকপা অমদি শিবা য়াওশিল্লকপা মরমনা মীপাইবা ফাওরে। অদুবু লাইবক থীবদি অসুক লুরবা তানফম অসিদা লৈবাক্কী লুচিংবশিংগী মরক্তা ইতৎ-তৎতনা থোক্লিবা চরাংনবশিং অসিনি। লৈবাক মীয়ামসু মঙাই লৈঙাক্লা শেল্লিবা চৎন-কাংলোনশিং থোইনা থৌশাদবগী অচৌবা মমি ঙসিসু অদুমক তারি। মরম অদুনা লৈঙাক অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্না অহানবদা লায়না লাইচৎ অসিদগী পূন্না লাম্থেংমিন্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। অমরোমদা অকিবা ফংনা ৱানরবা মতম অসিদা আই এল পি পাস পীনবা লৈঙাক্লা ওর্দর থোকখিবা লাইবক থীবনি হায়জনিংই। মরম অদুনা মতম খরগী ওইনদি লৈঙাক্লা আই এল পি পাস পীবগী থবক লেপ্পিয়ু। খ্বাইদগী নুংঙাজদবা ৱাফম অমনা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইদুনা থবক শুফম-নোমফম লৈত্রবা চৈরক অসিদা ব্যুজিনেস তৌবা মীওইশিংনা পোৎকী মমল কা হেন্না য়োন্দুনা মীচম মীয়ামদা অমুক্কা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিবা অসিনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিনজরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## জিরিবামগী সী সী সী ওগষ্টকী অহানবা চয়োলদা হাংদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): মতম কুইনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা জিরিবামগী হরিনগরগী মোদেল স্কুলদা হাংদোক্কদৌরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর (সী সী সী) ওগষ্টকী অহানবা চয়োলদা হাংদোক্লগনি হায়না জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈ, আই এ এসনা ঐখোয়গী পাউমীগা ৱারী শানবা মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী খনবীদুনা জিরিবামদা হাংদোক্লবা হায়দুনা জিরিবাম এদমিনিষ্ট্রেসন, জিরি পুলিস, পি দল্লিয়ু দি, এম এস পি দি সী এল, পি ঐচ ঈ দি এঞ্জিনিয়রিং য়াওরগা কন্না শেমজিন-শাজিনবগী থবকশিং লোইশিল্লত্তুনা ওগষ্টকী অহানবা চয়োল অসিদা সী সী সী অসি মীয়ামনা শীজিন্ননবা হাংদোক্লগনি হায়না ফোঙদোরকখি। নীংশিংবা য়াই, জিরিবামদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা হাংদোক্লবদি মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং কোক্লগনি অমসুং জিরিবামদগী ইম্ফাল তান্না কোভিদ পেসেন্টশিং পুদুনা চৎপদা খুদেংচাদবা কয়ামরুম লৈরম্বদুসু কোক্লগনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০৭।২০২০ ইং, ইরাই ; থৱানগী ১২ নি পানবা।

**মেষ:** মরুপ মপাং অমদি ললোন ইতিক নত্তনা অয়াম্বা থবক্তা মাই পাক্কনি। অফা অপুন্নবা কোকচগনি, পল্লম্বা শেলথুম ফংবা য়াবা অমদি অঙম্বনা চানবীবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা।

**বৃষ:** অঙনবদা অফবা খোংশাল লৈ অমদি নক্লবতা নত্তনা মীয়ামগী মতেং চাওনা ফংগনি। মরুপকী মতেং অমদি ইচং থৌবনা মাংওইননা পাংবা থৌরম মাই পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**মিথুন:** খ্বাইদগী মাই পাকচবা অমদি নিংবদুমক পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা ফাওবা তেংবাংবীদুনা অরুবা থবক পাংবা য়াবা লৈ। হকচাংদি খজিক নুংঙাইরোই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট:** থেংলপ্পা নিংবা থুংবা, হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা অমদি অরং অরাক্কী লমদা মাই পাকচবা লৈগনি। থৌনাসু ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি। অহৈ অশিংদি শাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/ফৌ।

**সিংহ:** হোয়া ফবনা মতম মাংবা অমদি চাদিং হেনবা য়াবা নুমিৎনি। মরি মতা অমদি মীয়ামগী মতেং লৌবা কান্নগনি। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি। হকচাংগীদি চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশি মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা:** অঙনবদা অফবা খোংশাল লৈ অগনি নিংহন্নদবনা ওইজবা ফংজৌ হাইবা লৈ। লেংদবা লন তানশিনবা য়াবসু লৈ অমদি মীয়ামগা লোইননবা হোৎনৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মাই পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**তুলা:** থেংলপ্পা থবক পাংগনি, মীচং লৈগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। লন চাওখৎপা, থৌনা ফুদোকপা য়াবা অমদি ইমুং মনুং লোইনবা কান্নগনি। ৱাঙাংদি লুই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- অৱাই অখুম তৌনবা মাংজগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** অঙনবদা লাইবক ফগনি, নিংবা মপা চাগনি অমদি মরি মতাদা নত্তনা মরুপকী মতেং চাওনা ফংগনি। লৌশিংসু চাওই অদুনা অচুম্বনা মাংওইনৌ কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**ধনু:** নিংজবা থেংলপ্পা থুংগনি, মীচংসু খরা হেনগৎলনি অমদি ওইজবা তাবদা শোইদনা মাই পাক্কনি। ঈংথনা, মীয়া য়াম্না থাজদনা অমদি ঈরাং পুদবনা য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পুক্নিং ফাথনা শাফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা/চেং।

**মকর:** অঙনবদা মীচং খোম্বা কান্নগনি। পন্দুনা লৈরুবা শেলথুম অমদি অফবা মরুপকী মতেং ফংগদবা নুমিৎনি। অনম তানবা অমদি লৈঙাক্কী লমদদি মাইথিগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ঈংথবনা শাফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কুম্বা:** থাজদনা মাই পাক্কদবা নুমিৎনি। য়েক্লবদি হন্থরনি অমদি খন্থরগা পাংবা থৌরমশিং মাই পাক্কনি। অদুবু অশাওবনা মাংজগনি অমদি চিন কনবনা চোপ্পা য়াই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**মিন:** মীপাইরম্বা কোকচদুনা নিংবা থুংগনি অমদি ৱাখল থাদরদি কান্নবা শোইদনা ফংগনি। য়েৎনবদা মাই পাক্কদবা লৈ অমদি খাংবা কনবগী কান্নবা ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মীৱা হেন্না থাজগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

## মৈরা খোঙচৎ

*তুশার নোংথোম্বম*






*Tushar Nongthombam is a lifestyle and landscape photographer.*